ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯃꯦ ꯱꯷, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯵꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মে ১৭, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৫১শুবা মশীং

# মান্নদবা কোভিদ রিপোর্ট

## চুম্না হায়দোক্তবা, লোৎশিনবগী কান্নবা লৈব্রা?

মণিপুরনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্নরকপদগী মসিবু মায়োক্নবা অকনবা চেকশিন থৌরাং কয়া'মা লৌখৎলে। থবকশিংসি গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু লৌখৎলি। মীয়ামগী লন্নাই লূপশিং ওইরিবা ক্লব/এসোসিএসন/ওর্গনাইজেসন কয়াগী মায়কৈদগীসু লৌখৎলি। লৈকায়-লৈকায়দগীসু লৌখৎলি। পূম্নমকসিগী মথক্তা য়ূম-য়ূমদা লৈরিবা মীওই কয়ানসু লৌখৎনরি। মরমদি পেন্দমিক অসি অফ-নুংঙাইগী ওইবা ওইজ-ওইথক্কী নৎত্রগা মীয়ামদা তেংবাংনরনবগী লাকখিবা নত্তে। মালেমগী মফম খুদিংমক্তা তৌবগুম্না পিকখ্রবা ষ্টেট অসিগী অশোন-অনা মীয়ামগী পুন্সি মাঙহল্লগা মখোয়গী থৱায়শিং হিংথৎ-থৎতুনা পুখিনবগী লাকপা তমথীরবা লায়না লাইচৎনি। মসিগীদমক লৈঙাক্না চুঙ্গোই ওইনা লৌখৎলক্লিবা থবক-থৌরমশিংগী মনুংদা মী খ্বাইদগী তিনবা/পূনবা মফমশিং ওইরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না কোল্লিবা মফমশিং য়াওনা গ্রেটর ইম্ফাল অপূম্বদা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকপগী মথক্তা কর্ফিয়ুগী অথিংবনা অমুক চেৎনা য়োমশিল্লিবা অসিনি। হায়রিবা মরোল নাইবা অথিংবশিং অসি ইম্ফাল ময়োলগী দিষ্ট্রিক্ট অনীসিখক্তা নত্তনা অতোপ্পা চীং অমসুং তমগী দিষ্ট্রিক্ট ৫দসু চৎনহল্লি। অদুগা নাকল অমরোমদনা নম্বোল, নিংথৌখোং, কাংপোকপী অমসুং উখ্রুলনচিংবা মফমদদি মফমশিং অসিগী মীয়ামগী লূপশিংনা হৌনরুবা তৌদনা চোংথোরক্তুনা মাগী মাগী লমদা টোটেল লোকদাউন ফাওবগী অথিংবা থমজিন্নরি। লন্নাই লূপশিংগী খোঙথাংসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই থেংনরকপা মফমদা কন্টেনমেন্ট জোনগী অথিংবশিং থমজিনবগী থবকশিং চৎথরক্লিঙৈগী মথক্তনি। হায়বদি ভাব-মেন তাদবা, লমহেন-তুহেনবা, ময়াই কাবা চিঞাক্তা লাইচুরবা মীওইশিং য়াওনা ৱারক্তবা মীওই খুজোক খরনা কন্টেনমেন্ট জোন অমসুং কর্ফিয়ুগী অথিংবা নমথেকপা য়াওনরক্লগসু মীয়াম পূম্নমক ৱাখল তাবা য়ারে হায়বগী ময়েক শেংলবা খুদমনি। মতাংসি য়ৌরকপদগী লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু লায়নাসি মায়োক্নদুনা থেংনবদা মীয়ামগী মতেং নীরক্লি। লানফমসিদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (সী এস ও) শিং ফাওবা হকথেংননা য়াওশিনবিরো হায়বগী আপীলসু ফোংনা তৌনরক্লে। হায়বদি তমথীরবা লায়না লাইচৎসি মীয়াম হুপ্না থেংনমিন্নবগী তঙাইফদবা তাঞ্জাদু লাক্লে হায়বনি।

অদুবু মতাংসি য়ৌশিল্লক্লবা ফাওবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মরু ওইনা কোভিদ-১৯গী ফ্রন্টলাইন ৱারিয়র/ৱার্করশিং ওইরিবা হেল্থ সর্ভিসেসকী মায়কৈদগী নুংতিগী মায়োক্নরিবা পোজিটিভ ওইরবা কেসশিংগী মশীং অমসুং লায়নাসিনা মরম ওইদুনা শিহনবা মীগী মশীংশিং পীবা ওফিসল ওইবা রিপোর্টতা ওথোরিটি অমনা পীবা রিপোর্টকা অতোপ্পা ওথোরিটি অমনা পীবা রিপোর্টকগী মরক্তা চিনখুম মান্নদ্রিবা করিগীনো? নুংতিগী থেংনবা পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং, লৈখিদবগী চাং, এক্টিভ ওইবা মশীং, ফগৎলক্তুনা কোভিদ ক্যের সেন্টর, হোম আইসোলেসন, কম্ম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টর অমসুং হোস্পিটালশিংদগী দিসচার্জ তৌরবা মীওইশিংগী মশীংনচিংবশিং অসিবু মীয়ামদা খঙহনবদা অমগা অমগা মান্নহনফম থোক্তব্রা? মান্নদবগী থৌদোকসি মমাঙদসু লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী হেল্থ সর্ভিসেসকী মায়কৈদগী এদিসনল দিরেক্টর (স্পোক্সপর্সন) ডা. খোইরোম শশিকুমার মঙাংনা নুংতিগী নুংথিলদা থোক্লিবা চেরোলদা পীরকপা মশীংগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসর (সী এম ও) অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসর (আই দি এস পি) গী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোলগগী মরক্তা মান্নদবা থৌদোকশিং থোকখ্রে। মসিগী মতাংদা পাউচে অসিনসু মীয়ামদা থেঞ্জাং অনীরক্তা থেংনবদগী রিপোর্ট তৌখিবা লৈখ্রে। অদুবু থোকহনফম থোক্তবা থৌদোকসি মে ১৪, ২০২১দসু অমুক থোক্লে। নুমিৎসিগী থৌদোক্না চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইবা রিপোর্টতা থোকপনি। নুমিৎসিদা কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী থোরকখিবা প্রেস রিলিজ (নম্বর - ৪১৫) দনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৬নি হায়রকখি। মসিগী মনুংদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই অমনি হায়খি। অদুগা নুমিৎসিদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসর (দি আই ও) গী মায়কৈদগী থোরকখিবা রিপোর্টতনা দিষ্ট্রিক্টসিগী ওইনা লৈখিদবা মীওই অনীনি। মীওইশিং অদু নুপা অমগা নুপী অমগনি হায়দুনা ফাওবা রিপোর্ট তৌরকখি। অদুগা দি আই পি আরগী দি আই ওগী চেরোল অদুসু দিষ্ট্রিক্টসিগী হেল্থ ওথোরিটিদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্ননি হায়বা ৱাফমসু পল্লকখি। নুমিৎসিগী ওইনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লৈখিদবা মশীংদা মান্নদবগী মথক্তা পোজিটিভ ওইরবা কেস মশীংদসু চাউনা চেন্নখি। দি আই ওগী রিপোর্টতনা পোজিটিভ কেস মশীং ৩৭নি। মসিগী মনুংদা নুপা ১৫ অমসুং নুপী ২২নি হায়রকখি। অদুগা কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোলদনা চুড়াচান্দপুরগী পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং ৪৯নি হায়রকখি। মসি ওইরগদি ওথোরিটি ২গী মরক্তগী থোরক্লিবা মান্নদবা চিনখুম অসিগী মরুমদা লৈরিবসি করিনো? ওথোরিটি অমগা অমগগী মরক্তা কো-ওর্দিনেসন লৈনদ্রবরা? তাথোক তাশিন তৌনদুনা ঈ-পাউ হোদোক্নদ্রবরা? নৎত্রগনা পোজিটিভ কেস মশীং অমসুং শিবগী মশীং লোৎশিন্নবগী লৈঙাক্কী অরোনবা এজেন্দা লৈব্রা? লৈরম্লগা মসিগী কান্নবনা করিনো? ৱাহংশিং অসি হংলকপা মশানা তাবনি। মীয়াম হুপ্না খূৎশম্নদুনা মায়োক্নগদবা লানফমসিদা ফাওবা ত্রান্সপরেন্সি মেন্টেন তৌবা ঙমদ্রগদি কদাই ফাওবা লায়নাসিগী মায়োক্তা ইন্টিগ্রিটি লৈনা থবক তৌরমগদগে হঙনিংলক্লি?

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৮

১) চহী য়াঙ্খ্রেগী মমাঙদা অহানবা ওইনা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম উৎখিবদু করম্বা চহীগী করি থাগী তাং কয়াদনো?

২) "দাদা সাহেব ফালকে ভারত সিনেমাগী অপোকপা" হায়বা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু করি লোলদা কনানা ইবনো?

৩) অহানবা মণিপুরী ফিচর ফিল্মনি লৌনরিবা "মতমগী মণিপুর" হায়বা ফিল্মসিগী অয়াম্বা শরুক কদায়দা সেট শারগা নমখিবগে?

৪) John Warrington হায়বা BBC গী Correspondent অমনা মণিপুরী ফিল্ম অমবু "সেল্লুলোইদতা ইবা শৈরেং" (Poem on Celluloid) হায়না শীংথাখি। ফিল্মদু করি ফিল্মনো?

৫) "লাইরিক লাইশু কুমজা সাহিত্য-ইতিহাস" হায়বসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩১, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

# লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
**ডা. এম থোইথোই সিংহ**

Q. কোত্তা ফৌজুম ময়াম অমা লৈরে। চাকখুমগা থংননা লৈবনিনা চাকখুমদা চাক ঈশিং চাবা ফাওবা নুংঙাইত্রে। তীলশিংদু হাৎনবা মখল কয়াগী থৌরম কয়া অমা পাঙথোক্লবসু কান্নবা ফংদ্রে। হীদাক কাপশিনবসু পামদবা। করম্বা পাম্বৈনা ফৌজুমশিংবু লৈহন্দবা য়াগদগে?

- তোমপিশক, কুম্বী

☞ ফৌদা য়াওরিবা ঈশিং ঈনিলগী চাং ৱাংবনসু ফৌজুম তীল মরাং কায়না শনে দাক্নবা/হেনগৎনবা মরম অমা ওইহল্লি। ফৌশিংদু নুংশাদা ফৌদোকপা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতে। চৎথোক-খোত্তোকপা য়াদ্রিঙৈসিদা ফৌদু খাইদোক-খাইদোক্লগা মপূং ফানা ফৌদোকহৌসি। তীলসু শিরনি; ঈশিং ঈনিলসু হন্থরনি।

মথং চহীদদি ফৌনা মরূ হাইথরকপা মতমদা লৌফমদগী ঈশিং শিৎ-নান্না থাদোকহৌসি। লৈবাক্তা লৈবা ঈনিলনা মরূ চঙবা নংগনি। লোকপা মতমদা ফৌদা ঈশিং-ঈনিল হন্থগনি। কোত্তা হৈজিনদ্রিঙৈদা নুমিৎ নীনি/হুমনি ফৌদোকহৌসি। কোত্তা হান্না DANTOTSU গ্রাম অহুম ঈশিং লিটর ১০দা য়াল্লগা কারক-কাচিন থুংনা কাপথোকহৌসি। নুমিৎ নীনি লৈরগা কংহল্লগা ফৌদু হৈজিনসি।

কোত্তা লৈরিবা ফৌজুম হাৎনবা ফৌদুদা হীদাক কাপ্পা হায়বসি ফৌদুদা ঈশিং ঈনিল ৱাংহনবদা নত্তনা কাপলিবা হীদাক্তু হকচাং য়ৌরক্কনি। হীদাক কাপনীংদ্রিবদু অচুম্বা ৱারেপনি। থাগৎচৈ।

Q. ঐগী তর্ব্বুজসি মপূং ফারক্লে; য়োনবা য়ারক্লে। অদুবু মরক মরক্তা চেকখায়বা মরি/মঙা য়াওরে। মসিবু করিননো? করম্না কনবা য়াগদগে?

- ইনাওচা, এলাংখাংপোকপী

☞ মতম খরা অকনবা নুংশাগী লৌবুকশিং ঈশিং ৱাৎলুরবা মতুং নোং খংতা তাবা; অমুক নুংশা য়াম্না কন্না শাবদা মহৈশিং চেকখায়বা তোয়না থেংনৈ। ঈশিংগী চাং পুবা চংই; চেকখায়দনবা।

অতোপ্পা অমনা বোরোন ৱাৎপা মতমদা পাম্বীগী শরুকশিং চেকখায়বা তোয়না থোকই। বোরোন মরাং কায়না য়াওবা মাইক্রোন্যুত্রিয়েন্ট কমপ্লেক্স অমা কাপসি।

Q. য়াম্না পিক্লিঙৈদা কারোৎ অখাবীশিং অসি মুনশিল্লকই হায়না য়েংলুবদা মনুংদা হনশিং য়াম্না য়াওরম্মী। মসিবু লোইনা মাঙলগদ্রা? করিনা কনবা য়াগনি?

- অমুতোম্বী, মোইরাং

☞ য়াম্না হেন্না পিক্লিবা কারোট অখাবী কয়া অমসু হন চঙবা হৌরক্লম্লনি। মসিগীদমক VESTICOR/Coragen মিলিলিটর অহুম ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা পাম্বীগী শরুক পূম্বা চোৎনবা কাপথোকসি।

মপিশিং (লাবা-অমোম অনীমক) ফাদোক্নবা Melon fly trap হাপসি। শঙম অমা চাউবা লৌফমদা Trap মরি চঙগনি। ঙল্লিঙৈ, মপান শাবা হৌবদা ঙাইরিঙৈ মতমদগী লাংসি থাকপা হৌরক্লম্লবদি তীল মখলসি অমা ফাওবা তাহল্লমদবা য়াবনি।

হায়রিবা Trap অসি খোঙদ্রুম, মাইরেন, তোর্বোট, সেবোত, থবী, তর্ব্বুজদা নত্তনা মোরোক, খামেন অশিনবা অমসুং কেপসিকমদসু শীজিন্নবা য়াই। পূন্না থাবা মফমদদি শীজিন্নবা য়াম্না নুংঙাইবা লাংনি (Trap) ।

অপিকপা পাত্র অমগী মনুংদা মনমদু হাংদোক্লগা হাপ্পা খক্তনি। ঈশিংসু হাপলোই। থাকপা য়াম্না লায়; মমল হোঙই। লুপা ৮৫ পী। থা অনী চৎলি। লৌফম চাওবা পিকপগী মতুংইন্না মশীং লেপকনি।




*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা,
ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং
চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]
চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা
অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল ***hueiyenagri@gmail.com*** দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।

# কোভিদকী সেকেন্দ ৱেভ লাকপসিদা লৌমীশিংগী খম থেংবা অৱাবা

**এস সুমঙ্গল**



লৌফমদা পৎলিবা খামেন অশিনবা

লৌমী হায়বসিদা ঐনা পঞ্জরিবসি ঙা য়োক্লিবা, শা-ষণ লোয়রিবা, লৌ উরিবা, এঙ্খাং-নাপি থারিবা মখোয় খুদিংমকপুনি। তশেংনমকসু মখোয়বুনি লৌমী হায়না খঙনরিবসি। মখোয় হৌজিক ৱাবদা খম থেংলে হায়বা তাই। চাবা ফংদবগী অৱাবদু নত্তে। হৌজিক থল্লিবা কর্ফিয়ুসিনা মরম ওইরগা মখোয়না শেল কয়া থাদদুনা পাঙ্গল ৱানা শীজিন্নদুনা হুমাংমন্না পুথোক্লিবা পোথোকশিং য়োনফম লৈতে, য়োনবা শিৎতে। লৌফমদা মনা-মশিং কয়া পৎতুনা, পুমদুনা মাঙলি। থারুবা মনা-মশিংনা লৌফমদা পৎশিল্লকপা, ব্রোইলর লোয়রুবনা নুমিৎ মশীং হেল্লকপা, মচিঞ্জাক ফংদবগী অৱাবা, ঙা য়োক্লিবশিংসু অদু মঙাই। মসিদগী হেন্না নুংঙাইতবা অৱাবসি লৈতে। অদুবু কনানসু খঙবীদবগুম উরি। অদুবু, ঐখোয় মীওইবা অমদি ঐখোয়না লোয়রিবা শা-ষণ খুদিংমক্কী পুন্সি ওইরিবা চিঞাক অসি লৌমী ইচিন-ইনাওশিংনা লৌউ-শিংউ তৌদুনা পুথোকপীবনি। মখোয় লৈরমদ্রবদি ঐখোয় করি চারমগনি? করিগুম্বা খরা খন্নবিরগা লৈঙাক্না থৌশিল খরদি শিনবীবা ফৈ খল্লি।

অৱাবসি মসিনা লোইবা নত্তে। মখোয়গী তঙাইফদবা পোৎলম কয়া হৌজিক লৈফম, ফংফম লৈতে। হৌজিক হৌজিক মখোয়গী লৌবুক্তা থারিবা পোৎলম কয়া লায়না তীলনা তারকপদা হীদাক লৈফম লৈতে, অনৌবা থানবা মনা-মশিংগী মরূ লৈফম লৈতে করি থাগনি, ফৌদি অফবা থিবা মতমনি, থিফম লৈতে, হার হাপ্নবা হার লৈফম লৈতে, ঙা য়োক্লিবা ফার্মশিং শিত্তোক্তুনা ফারিবা ঙাশিং য়োনথোক্তুনা ফার্ম শেমজিনবা মতমসিদা ঈশিং শিত্তোক্নবা, ঈশিং চিংনবা পম্প শেমজিন্নবা, পম্পকী পার্ট লৈফম লৈতে। করিনো মখোয়না তৌগদবা? মতমনা কনাবুসু ঙাইবিয়ু য়ারোই, শোয়খিবদা পূম্নমক শোয়গদৌরিবনি। মসিনি লৌমীগী অৱাবা। অমরোমদনা অমুক মতম ফংলিঙৈ নোং খরা তাদুনা লৌ খোইগদবা মতমসিদা ত্রেক্টরগী শেম্নবা ৱার্কশোপ হাংদবদগী, থারিবা মনা-মশিংশিং লায়না তীলনা তাশিল্লকপদা হীদাক লৈনবা দুকান হাংদবগী, এঙ্খাং-নাপি থাননবা মরূ লৈফম লৈতবনা মতম হেনখিনি পাখৎপগী, অফবা ফৌদি থিননবা মতম ফংদবগী পূম্নমকসিবুনি অৱাবগী অৱাবা ঙাক্তা ৱাবগী খম থেংলে হায়জরিবসি। মতাং অসিদা নীংতম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবিখিবা জৱাহরলাল নেহরুনা হায়বিরম্বা মরু ওইবা ৱাহৈ পরেং খরা নীংশিংলকই "খুদিংমক ঙাইবগী মতম লৈ অদুবু এগ্রিদি ঙাইবা য়াদে"। কয়াদা চুমখ্রবা ৱাফমনো অদুবু কনানসু থৌশাদবা ওইনা উজে, লাইবক থীবনি।

মমাঙগী লোকদাউন মতমদা লৌউ-শিংউগী থৌরম খুদিংমক এস ও পি ঙাক্না পাঙথোকহনখি। হন্দক্কী সেকেন্দ ৱেভসিদদি লৌউ-শিংউগী থৌরম খুদিংমক্তা কোমথোকপা ইথেং থেংনদে। অদুননি লৌমী খুদিংমক ৱাবনা খম থেংলে হায়জরিবা। লৌমীশিংনা মতম চানা লৌউ পাম্বীশিং থাহৌদ্রবা, হৌরিবা পাম্বীশিং লায়না তীলনা ঙাকথোকহৌদ্রবা, মতম চানা হারশিং হাপহৌদ্রবা, মাসু মীসু কদায়দগী চাগনি। লাইনা মতুম মতুম থাদবিরক্কদ্রা? মীপান তাংদুনা চারগদ্রা? খন্থবা চুমগনি খল্লি। ইকায় খুম্নজরিবা মোদিগা লৌমীশিংগা মুক্নবা খরা লৈখিবদুগী পারা অমা তম্বীগে খল্লব্রা? মদুমক্তি ওইরোই। মপি মপা ওইবনা অদুম্না মচা মনাইশিংদা মুক্কনি হায়বদি থাজদে। ওইরমদবসু ওইসনু। হন্দক্তা পি এমনা কিষানগী য়ান্নবা শেনফম থাদোরকখিবগী ৱাফম মীয়াম্না তানখ্রে। অশেংবা লৌমী কনা কনাদা পীগদবনো হায়বদি খঙদে। ঐনা থেংনজবা অশেংবা অফবা লৌমী কয়ানা ঐঙোন্দা লৌমী ওইবগী সর্টিফিকেট কনাদগী করম্না লৌগনি হংলকখিবা ইচিন ইনাও য়াম্মী। অমবু ওইরে অমবু ওইরে অফবা ঙাক্তদি ওইরসনু।

মমাঙগী লোকদাউন মতমদা ওর্দর অমা Ministry of Home Affairs, Govt. of India, vide no. 40-3/2020DM-1(A) dated 24th , 25th and 27th , March 2020 addition to clauses 2, 4, 5 and 6 in exception based on request of the Ministry of Agriculture and Farmers Welfare, GOI. না থোক্তুনা মখাগী অসুম্না থম্বীখি।

১ লৌউ-শিংউবা অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা থবকশিং লোকদাউননা কোনশিল্লোইদবনি।

২) লৌউ-শিংউবদা চঙবা পোথোকশিং পুথোকপদা চঙবা পোৎলম পুথোক্কদৌরিবা এজেন্সিশিং অমদি এম এস পি ওপরেসনশিং।

৩) মনা-মশিং য়োনফম - এগ্রিকলচর প্রোদ্যুস মার্কেট কম্মিটিনা পায়খৎপা নৎত্রগা লৈঙাক্না অয়াবা পীবা মফমশিং ।

৪) লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা লৌবুক্তা লৌউ-শিংউবগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা।

৫) ফার্ম মেছিনরিশিংগী ৱাইথোক ৱাইশিন তৌফমশিং।

৬) তীলহাৎ হীদাক শাফম অমদি য়োনফমশিং, থাননবা মরূ পুথোকফম অমদি য়োনফমশিং।

৭) লৌউ শিংউবদা চঙবা খূৎশু খূৎলায় পুথোক পুশিন তৌবা।

মথক্তা হায়রিবশিং অসি পূম্নমক অয়াবা/কোমথোকপা পীবিখি। মখোয়শিং অসি নত্তবা অতোপ্পা লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা কয়া অমসুনি মচা খায়না অয়াবা পীবিখিবা, মরু ওইবা খরা থমজবনি। অদুবু হন্দক্তি লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবা অমত্তা অয়াবা পীবা থেংনদে। লৈঙাক্না মসিমদি খরা খন্থবা চুমগনি খল্লি। মরমদি লৌউ-শিংউ তৌহৌদ্রগদি ঐখোয় শোয়দনা চরা হেনবা শোয়দ্রবনি নৎত্রগা রাসনগী অয়েন চেঙ চাবা তাবনি মদুসু ফংবা নৎত্রগা ফংদবা য়াই। পূম্নমক্না খরা খন্থবা চুমগনি খল্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।